# মীকি লাইকিদবা ময়াম্না খুনবৈ ওইনা পৈরবদা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*মদু তৌবা য়াদে, লাইনা নখোয় ফূকচখিনী।* পীক্লিবা অঙাংশিংবু অকিবা পোকহনখিবা অহল-লমনশিংনা ইতৎ তত্তনা শীজিন্নবা ব্রাহৈশিংনি। অশেংবৈদি অচুম্বা ব্রাফম নত্তে, শেমজিন শাজিনবা অরানবা মীনম্বা ব্রাহৈশিংনি। মতাং মতাংগী হায়দুনি, অরানবা মীনম্বা ব্রাহৈশিংসি ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা শীজিন্নরম্বগী মরম চাউনা লৈরম্মী। ব্রাখল লৌশিং মপূং ফাদ্রিবা, অফ-ফত্ত, অচুম-অরান অমদি তৌগদবা তৌরোইদবা ফজনা খত্তোক মন্থোকপা হৈত্রিবা অঙাংগীদমক্তি মমল য়াম্লবা লাইব্রানি। মরমদি মখোয়বু অচুম্বা মায়কৈদা পুননবা হোৎনবদা মরু ওইবা ঙাক্লৌ ওইরিবা মমল য়াম্লবা মীনমব্রানি। অঙাংশিংনা অরানবা থবক্তা পূক্নিং হকচাং লুপশিনখ্রবা মতাং, মীচৈদি লায়রদনা চৈ ফাওবা কিরক্ত্রবা মতাংদুদা মমা-মপা, অহল-লমনশিংনা হায়রিবা লাইব্রাসি শীজিন্নদুনা মখোয়বু অরানবা থবক থৌওংদগী নাথৈদুনা অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্নবা হোৎনৈ। তশেংনা হায়রবদা অঙাংশিংগী ব্রাখল হিমাই চুম্বীখিবা য়াম্না মরু ওইখ্রবা মায়োকব্রানি হায়না লৌবা য়াই। মতম অমা লৈরম্মী, মীগী চৈরাক কিদ্রবসু লাইগী চৈরাকপুদি য়াম্না কিজখিবা। মদুননি মখোয়গী খোয়রী ফূক্তুৎখিগদ্রা হায়না অঙাংশিংনা য়াম্না মীপাইজখিবদু। পূম্নমক্তগী তৌবা ঙম্বদি লাইনি হায়না থাজনরিবনি। থাজবৈ চাংদি য়ুহার হাবফাওবা লাইনা শাউরকপা মতমদা মালেম লৈমা ইমাগী মখোয় পায়রগা নীকপনি হায়নরিনি।

ঙসিগী মীওই খুন্নাইসি চাওখৎলিরা নৎত্রগা লমথোই লমহেল্লিরা খঙদে, মীসু লাইসু কিবীদবা মীগী মশীংনা খুনবৈ ওইনা লৈরে হায়বা য়াই। ইচুম চুম্না হিংজবা মীওইশিংবু মশীং ইথা থানবীদবগুম তৌনরক্লি। করি অমুক হায়রুনি মখোয়বু ***অপঙ চুমচৎ*** হায়দুনা করেম্নবীবসু কোঙ্গায়নি। থায়নদি ব্রারী ওইরসু লীলা-দ্রামানচিংবসু অরানবা হায়বজাৎতু অচুম্বগী মমাঙদা হেক্তমক তুমহনখি, উন্না নুংশাগী মঙান্দা তুমখিবগুম। অরানবা তৌবশিংবু হিংলিঙৈ পূন্সি নৎত্রগা শিরবা মতুংদা লাইনা মতৌ থীনা লাক্নদুনা চৈরাক পীবগী অয়েকপা লাই ময়াম অমা য়ূমগী মাঙ্গোলনচিংবদা থেত্তুনা থম্নে। মীগী মপোৎ হুরানবা মীওইশিংবু অশি লমদম য়ৌরবা মতুংদা থাও শুম্নবা কোলুদা মকোক চপখায়বদু উবদা তু-মান খ্যাও-খ্যাও চুংবজাৎনি। মদু কান্নদে হায়বদি য়ারোই। নৌরিবশিংগী লমচৎ-শাজৎ শেমগৎপদা অচৌবা মতেং ওইখিবনি। মসিবু অমম্বা থাজনবীনি হায়না লৌফম থোক্তবরা খল্লি। ইমা ইপা অহল লমনগী ব্রারকখোন তানীংদ্রবসু লাইগী ব্রারকখোন তানীংবা অমদি অকিবা ফাওরিবদুবু ফত্তে করম্না হায়দোরিনো, হায়রদি হায়নীংমল্লবা হায়দুনি।

অরানবগী কুয়োম্না মরোন মরোন নাইনা কুপশিনখিদুনা অচুম্বগী মশেক মঙাল কাপথোকপা ঙমজদ্রবা মতম অসিদদি লাইগী ব্রারকপু কিবগী মথৌ তারক্লবনি। মসি ফাওবা কিবীদে হায়রদি পূমতুম তুমহনখ্রসি হায়বগা পাংখক ওইরে। মদুমক ওইবা তারগদি মীওইবগী পুব্রারীসে চৈখৈ চিংশিনখ্রসি হায়বনি। ঈশিং ঈচাওরোমদা লাকচগে। হন্দক্কী ঈশিং ঈচাওগী অব্রাবসিদি পল্লুদুনা কান্নদ্রে। লাইনা শাউরকপৈনি হায়সিরা নৎত্রগা মহৌশা লাইরেম্বীগী লেপ্নাইদবা মীৎলু পিরাং ওইরিদ্রা, তাইবঙ মীওইবদি ব্রাবনা পন্দোম লোম্লে হায়বা য়াই। হৌজিক্কী মতমসিদা ঐখোয়না লাইবু কিদবৈ চাংসি আ য়ৌনা ব্রাংখ্রে হায়বা য়াই। ফত্তে তৌহৈদে হায়বখৈদু তৌরগা লেমজবা অমদি অকন-অথৌ, অহৈ-অশিংগী থৌওং থৌচৎনি খঞ্জবা মীগী মশীং ঈশিং ঈচাওগুম্না হেনগৎলক্লবা মতম্নি। থৌওংশিংসিবু পামজদবশিংনা পাঙ্গলসু থোকচদা খোঞ্জেল থোক্লা লাউরুবসু মতিক ওইদবনা প্রোক প্রোক চাক্লা খাঙনবসু কোঙ্গায়নি।

ঐখোয়গী থাজনবী মতুংইন্না নোং-নুংশিৎকী কাঙলোন অসি খোয়ুম লাইশিংগী থৌশিল ওইহল্লি। কুম কাংবগী অকিবা লৈরকপা মতাংদা নোংলাউ ঈশৈগা লোয়ননা জগোয় শাদুনা চোং ফন্দুনা থৌনিজৈ। ককচীংগীসু নোংজুবী চীঙ্গোলদা পাঙথোকই। মমাঙথক্তসু পঞ্জখ্রে, তুতেংলোনগী ব্রারীদা য়াওবা মতাংনি। মৈদিংঙু তাউথিংমাংগী ময়াম্বুং ঙাঙোই য়োইমোংবনা চীংঙু নোংথৌ সোরারেনদা মীনমখি। মচানুপী লৈতবা মানা মচানুপী লৈ পীগে হায়দুনা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোক্লবা হায়খি। য়োইমোংবগী ব্রাফম্বু থাজরুবনা সোরারেননা মনকৎ মশীং শুনা পুরক্তুনা মরোয় মনাইশিংগা লোয়ননা লুহোংনবগীদমক লাকখি। মচানুপী লৈবা নত্তে, লৈ হায়না মীনম্বনি। য়োইমোংবা মশামক ফিজেৎ লৈতেংদুনা লুহোংগদৌরিবী মচানুপীগী শক্তম লাংখি। লুহোংবগী থৌরমসু পাঙথোকখ্রে। মৈবু ফিনা কুপ্তুনা থম্বা য়াদে হায়বদুমক থোকখ্রে। য়োইমোংবগী লৌনম-তাৎ অদু চীংঙু নোংথৌ সোরারেননা খঙদোকখ্রে। লাইনি, মীনম চাবা য়াবা নত্তে। শাউবনা মৈ হৌখ্রে। নুমিৎ মঙানি শুবদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং হৈথরকখি। ঈশিং ঈচাওনা মীপূম খুদিংমক ইমা করম্নো হায়বদু য়ৌরে। মৈদিংঙু তাউথিংমাং অমদি ময়াম্বুং য়োইমোংবা ঈপাক ঈরংদা ঈরোইদুনা কৌব্রু চীং মায়কৈ পাংখি। কৌবা অঙাংঙানা মচিল মনাওবু মখূৎ পায়দুনা চিংখৎপীরবা মতুংদা চীংঙু মাগী মফমদা থৌনিজখি। চঙজরবশিংবু ঙাকপীবা লাইশিংগী ফজরবা লোনচৎনি। নোং লেপখি।

হন্দক ঐখোয়না ফংলিবা নোংলৈ নুংশিৎ লেন, ঈশিং-ঈচাওগী অব্রা-চৈথেং অসি চীংঙু লাইয়াম্না শাউরকপগী ওইরমদৌ মানশিল্লক্লে। মরমদি লাই থাজদবা কাঙবুদি থম্বু থমখো, লাই থাজবা কাঙবুশিংগী মরক্তসু মানা-মানা থোকপা অনীংবা অপাম্বা মায়কৈদা পঙচত্তা চৎনবা য়াওরে। আ মকোক কোক্লেন্দগী হৌরগা খোঙদোন ফাওবা মীওইবগী চৎন-লোনচৎ ঙাক্লিংদবা মীওইনা শৌ শারে। লাইগী চৈরাকসু নাচুংদ্রে। অচুম্বা হায়বদু থিবদা ফংগনি হায়বগী থাজবসু মাঙশিল্লক্লে। মসিদবু শাওদ্রদি শাওমন্দ্রবা হায়দুনি। মবুক ফমন্দুনা অপঙ তারক্কদৌবা ফীভমদু লাই মখোয়সু শোয়দনা উরমগনি। চৈরাক খরদং ওইরবসু পীদ্রবদি লাইয়াম লৈরুবগী ব্রাহন্থোক লৈত্রে খল্লম্বসু য়াই। লাইয়ামগী ওইবা মীফমদা অসুম্না ব্রারেপ লৌরমদৌবা মাল্লি-

*তাইবঙ মীওইবশিংসে তাইবঙপানসিদা পূন্সি চেঙজেল লোইদ্রিফাওবা ঈংনা-চিক্লা নুংশি চান্ননা নে-না তানা হিংমিন্নরু থ্াখিবনি। হৈমন শিংমন্দুনা পশিং থোক্লরে। মখোয় মশেনসু পংখৎ-খৎনৈ, পঙলাউ লাউনৈ। মদুনসু পেন্দ্রদুনা পঙহাত্তা হাৎনরে। নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শিগদবা লৈরবনি। মসিমক্তদা ঙাইঙমদবা মতৌনা য়েংহৈদবা তাহৈদবা ময়াম থোকহল্লে। মখোয় মশেল মূক্লবনসু পেন্দ্রিমাল্লে, মহৌশা লাইরেম্বীদসু শরাক তন্লি। লাই ঐখোয়বুসু থৌওইদ্রে! খরা কিহন খংহল্লসি। মসিদসু থেক্কৎলিবা মঙকশিংসে অদুম্মক থেক্কত্তুনা লৈরবদি খরা হেন্না কনবা এক্সন লৌখৎসি। মমাঙথক্লা মমাঙথক ওইরবসু মতুং তারকপদদি অরানবা তৌবশিংদো অমত্তা লেম্না থারোইসি। অচৌ-পিশক, লায়র-ইনাকখুনবা, ফজবা-থীবা, অপঙ-অশিং খায়রোইসি, অরানবা তৌবা হায়বজাত্তো চেক চেক্তুনা লৈনুংদা...। খুন্তাক্কেরা লানশিগেরা, মঙাদা লৈহৌগেরা তরাদং হিংহৌগেরা অকনবা এক্সন ! অকনবা এক্সন! অকনবা এক্সন...!*

লাইয়াম্না অসিগুম্বা ব্রারেপ লৌরক্লবা নুংঙাইনি, মীওইবা ঐখোয় নুংঙাইনি। মদু ওইরবদি মীকি লাইকিদবা ময়াম্না খুনবৈ ওইনা পৈরুবগী মহয় হাউরনি। ***চীংঙু লাইয়াম শাউহল্লোইসি, মখোয় পেলহনসি হরাওহনসি। মহৌশা লাইরেম্বী ইমাদা চৈবী চৈথেং পীরোইসি।*** ●

# হিংনবা লম্বী থিবা

- নবকুমার ওইনা -

লমদমসিদা মসিমতং হায়রমদ্রবদি শিবা ঙম্লোইদৌরি হায়বা খল্লক্লে। শিবদি কি, হিংলিবরা হায়বদি খঙজিল্লক্তরে, চঙশি শিরবা হায়বগী থাক্তদি লৈবা কুইরে। মীথিবোং-মীতম্বাল ওইনা হিংলিবনি খন্নবদি য়াম্না য়াওরে, মীচৈ ওইনা ঙাঙনবসু য়াওরিবনি। শৈরেং-শৈরোন ওইনা ইরিবা ঙাঙলিবশিংনা লৈবাক শেম্বদি ঙম্লোই। শেলদা ঙাওবশিংনসু লৈঙাক শেন্নবা ঙম্লোই, মিংচত্তা ঙাওবশিংনসু লৈবাক শেম্বা ঙম্লোই, লাইদা ঙাওবশিংনসু লৈবাক খুন্নাই অমা শেমগৎপা ঙম্লরোই, লাই শাবশিংনা ঙাঙবসু তাবীনবা লৈররোই, লাইদি শোনগনি, নীংবদি হৈরোয়, নীরগা লৈগনি, লৈবাক্তি নীরগা ফংলোই। মীনসু-লাইনসু তৌরোই, ব্রাখল্লোন অমখক্লা তৌগদৌবনি, ব্রাখলদুদি মীনা খনগদৌবনি, শা অতৈনা ঙম্লোই।

লৈঙাক শেন্নরিবশিংনা মদুগী থাক য়ৌরব্রা হায়বদি খঙনবা নৎত্রি। ব্রাখল লৌশিং য়াওদনা য়াগদৌবা নত্তে, অখঙবা, অহৈবা শাবনসু ঙম্লোই। তশেংনা হৈবা নৎত্রবদি য়ারোইদৌরিবনি। হৈবা হায়বদি টার্গেট খঙবা, এইম খঙবা, গোল খঙবা, মশা খঙবা, কান্নবা খঙবা, মতম মাঙহন্দবা, পূন্সি মাঙহন্দবা, ইনর্জি মাঙহন্দবা পাখঙবা লাৎপা হায়বদু তারকপনি। পাখঙবদি খুরুমদৌবা লাই নত্তে, নীবদসু পীরক্লোই, পাফলদু লাৎপদি কান্নফম খঙলোই। নীংগদৌবা শাশেন (এক্সর্সাইজ) অমনি। ঔরায়বা (প্রেক্টিস) অমসু চঙই, খূৎলোইবা (এক্সপরিএন্স) ঙম্বা অমা ওইনবা হোৎনবদুনি। পাফলসি ঔরায়নবা লম্বী অদুমক্লি, লাৎপনা হৈরক্কনি হায়বা নত্তে, অপাম্বা ব্রারেপ অমসু চঙই।

ব্রারেপ হায়বসি মীনা লেপকদৌবনি, লাইনা লেপকদৌবা নত্তে, লাইদা হংগদৌবসু নত্তে। অনীংবা অপাম্বসু খন্নরগা লেপকদৌবা ব্রাখলগী মহৈ অমনি। খন্নবা হৈতবশিংগী কনাগী ব্রারেপ খল্লিবা মীওইদুনা ব্রাখল পরিং তারক্ত্রবদবু করি মহয় চাগদৌরিবা। চমন্ন রক্লিবদি কনাগীদমক লৈরে, অশেংবদি ব্রাখল পরিং তাদবনি হায়গদৌবনি। অদুমক খঙবা য়াওনরিবনি, য়েৎনহনগে হায়বা য়াওনা য়েৎনহল্লগা হাত্তোক্লহল্লিবনি, কান্নবা লৌনরিবনি। খোই য়োকপগুম্বনি, খোইহি লোকপা পাম্বদুনি, চাদ্রবসু শেল তানবা য়াবনি হায়নরিবসিনি।

হয়িংখোইসি মৈরা পায়বী মাল্লকপদুনি, থবক লেপ্পা নত্তে, খোইবু অমা হায়বসি থবক পূন্না শুমিন্নবদুনি। অমোম্মি হায়গনি মচা পোকপদি মপী (রানি) অমনা পোকপনি। মপীদুনা লাবা খরুসু পোক্কনি, মচা লৌবিদা মতুংদা লাবশিংবু অমোম্মিশিংদুনা হাংকনি। মসিদা নুপী অঙাংদা খোইহি পীজবা কিরক্লিবসি, চারবদি শাজত্তু লৌনরকপা য়াওবা মাল্লক্লবনি। মসিবু হিংনবা শাজত্তুনি হায়বা য়াগদৌরিব্রা? হিংগে হায়রবদি থবক্তি শৃগদৌবনি। পীবাশিংনা দ্রগ চাখৎলক্লবদা, নুপীনা লাখ-লাখ হেল্লবসু চাদা-নাওদাদি মরাৎলনি। মদুমক হিংনবা শাজৎ নত্তে। য়ুম পানবা হৈত্রে হায়বনি, ফেমিলি প্লান্নিং হায়বসি অঙাং য়েথবা ওইনা লৌনবসু য়াওরিবনি। শেল খরা ফংবদুনা য়ু থক্লগা নুংঙাইখোকপদগী মুৎপা তারকপনি। শেল পীরগা হাংপা য়াবা কাঙবনি, হান্না হাংলগা কোয়া শেল পীবসু য়াই, পীদবসু য়াওরিবনি। চৈশিল্লগা ইমুংগী মী নত্তবগুম হাত্তোকপসু ময়াম য়াম্লে। উনাখোইদৌনা মশোং ফনবনককা কনবা ঙমখিবা নত্তে, শিঙ্গবা মতুংদা তাম্না শারগা, কোকিল শারগা খোংনবতনি। হীরম খঙনা তুং ইন্নবদি ইউ উদে হায়গনি। শিবসু হৈতবা হায়তারে।

ঙসিগী নীংশ-নুংশিৎ মরকসিদা হিংবসিদি ইশাদা লায়না অমা লৈরবোইতা খল্লে। ডাক্তর খরনসু মী খুদিং লায়না অমনা নারবা ওইনা ঙাঙবা তারি, কিবু কিখৎলকই। মরকসিদা লৈবাক নীংবগী ব্রা ঙাঙনবা য়াওবদি পংইতা ইকায়বা ফাওই। কনা অমনদি ব্রাফম অসিদা নোক্লিংবা পোকপীরম্বসু য়াই, ইশানসু নাকল অমদা নোক্লিংবা ফাওবসু লৈরিবনি। হায়বদদি ফজদবা হায়গদ্রা, ইমা লৈবাক্কা হায়বা, কদায়দগী কদায় ফাওবনো খঙবা ঙমশিল্লক্ত্রবা, পংনুংদা নুংশিবা, ঙাক শেন্দুনা থম্বসু ঙমদবা, মীঙোন্দা থৌদারগা ঙাকউকবা হায়বদি ঙম্বা, শেন্নবিদ্রে-ঙাকপীদ্রে হায়বসিবু হায়বা য়াবা ব্রারা হায়জরিবা। লো খঙবা কাঙবুনদি টেবলদা অসিদগী মসি ফাওবনি হায়না খুদোম্বীনা পংথিন থিনবা, লৈমায়দনা থিরুবা-য়েংলুবা য়ারক্ত্রবা হায়বসিবু লো শেন্নরি হায়বিরিবা সারখোয়দি ইকায়বসি শরুক য়াবিগদ্রা খঙজনীংবা। লাই ফংই কোইতান তাল্লি, মী ফংই কোইতান তাল্লি করি হায়দৌবনো খঙশিল্লক্তবগী ব্রাদুনি। লাইনি খঙদে, মীনি খঙদে, কৈনো অমদি নীংবা ফবনি। লৈবাক অমা নীংবদি ফৈ হায়নরিবসি চুমগনি খল্লবসু করম্বা ওইনা নীংগদৌবা খঙলক্তবসি হায়দোকচরবনি। খঙগে হায়রগা হংফমসু খঙলক্ত্রবনি, হায়নরিবা খরসিনদি পেঞ্জদবা অমা ফাওবসিদা নীংফম লৈজদবগী হায়জবনি। লৈফম খঙলক্ত্রবদি করি খল্লগা হিংগদৌরিবনো ব্রাজবা অসিনা খুন্নাই অমদা করিবু কান্নবা ওইগদৌরিবনো? মীওই খরনদি শুপ্পায় পায়শিল্লগা কোয়চিং চিংলিবনি। শেলগী দিমান্দ মিৎ পুনশিল্লগা কোয়চিং চিংলগা পুবদুগা চপ মান্নে, চিংলিবা কাঙবুদুসু কাঙবু অমনা চিংলিবগুম্বনি। হিংনবা লম্বী অমদা চৎলিবনি হায়বা ঙম্বা নৎত্রি। শেল খরগীদমক হাত্তোকপা ঙম্নরি, শেল খরগী মরৈবাক য়োন্নরি হায়বা য়ারি। ঠিকাগী থবক শূবদা লৈবাক্কীনি খনববু য়াওনরিব্রা, ঈশিং চাওহনবসি লৈবাক্কীনি খনবশিংনা থোকহনবনি হায়বসু লৈ। ঈশিং চেন্থখিনবা তৌবা কাঙবুগা ঈশিং থিংজিল্লিবা ময়ামগা অঙম তান্নবনি। থিংবনা ঙম্বদগী থুম্বনি, থুমখ্রবদি থিংবা ঙমদ্রে। ঈশিংনা কদোমদা চেল্লি খঙদ্রবদবু কমদৌনা হিংগদৌরিবনো। কুম্মৈ ওইনা শিল্লিবনি।

এসিয়াগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈরিবা মীয়ামগী শাজৎ ইমান মান্নরম্বদি য়াই। ওনশিন্নরগা কাঙলূপ-কাঙলূপ হাৎনবা অসিনা খ্বাইদগী মশক থোকপা শাজৎ ওইরি। হায়বা ইনবদা হায়রগনা থৌজিল্লগা চৎপা য়ামখৎলকপা অসিনা ওইরিবনিনা ঈংনা-চিক্লা লৈবদি য়াখিরোই। নিংথৌ শাবা য়াল্লি, শাববু নত্তে, মশানা মশা নিংথৌনি হায়না লাউথোকপা ময়াম অমা লৈরি। নিংথৌ মুন্নবগী কেস তৌনরি, মোনার্কিজমদু দেমোক্রেসিনা ব্রায়েনবা য়াব্রা খঙদে। নিংথৌ হায়বসিদি পাখঙবগী শায়োন্নি হায়বফাও য়াওনরিবনি। নিংথৌ পানবদি মূৎখ্রবনি, করিগী নিংথৌ। নীংবা-থৌবদুবু নিংথৌ হায়বনি, নীংবদি হৈতনা করিগী থৌবা। হিংনবা লক্ষ্মী নিংথৌনবা পীবা লৈত্রে, মৃৎস্থে হায়বনি। মমিংদা শেল চারিবশিং নিংথৌ নত্তে। মসি ফাওবা ঙমদবদি হিংবা ঙম্মগনি হায়বা থাজরক্তে।

মীচম মীয়াম ফাওবা পুনবা ঙমদ্রবদা কনাগী নিংথৌনা পুনগদৌরিবা। শাজৎ অদুগী ব্রানি, শাজৎ অদুসু ব্রাখল্লোন অদুনা শেমগদৌরিবনি। দেমোক্রেসিসু নিংথৌ শাজৎ চৎপা কয়া অমা য়াওশিল্লক্লিবনি। কনা অমনদি খুরক্কী ঈনা লাই শাবদা মুৎপনি হায়রিবনি। অমরা অমরা মমৈদদি মুৎপদা পোপ তারে। কনা লাক্কগা কনবিরগনি খনগদৌরিবনো, খল্লিবা অদুনা হিংনবা লক্ষ্মীনি হায়বা কনানা ব্রারেপ লৌরুরিবনো। য়াম্না তোয়া খল্লিবা মীওই হেত্তা হিংবা ঙম্লগনি হায়বা লৈতে।

হিংবা হায়বসিদি মহৌশানা ইপা-ইপুদা পীরম্লবনি। ইপা-ইপুনা শুথাং নায়না অমুক পীথরক্লবনি। ইপা-ইপুশিংনা পুন্দে হায়রম্লবদগী হাংনবা য়াওনরিবনি। কাঙলূপ মান্নদবগী-লাইনীং মান্নদবগী, লৈফম মান্নদবগী, লোনচৎ মান্নদবগী য়েক্লবা শেমগৎনদুনা হাংনবা ফাওবগী লান শাগৎনরিবনি। মরম অমা নৎত্রগা অমা পীনদুনা হুরানবগী, উশিৎনদবগী, লম মুন্নবগী, নুপী ফাওবা মুন্নবগী মী হাংনবা ঙম্নরক্লি। লাইনা শিনবা নত্তে, মী মরক্তা মীতনা থোকহনবনি। মী মরক্তা মীরোল থুংদবা, অচুম্বদা শাবা ময়াম লৈরি। মীগী মপোৎ হুরানবা, মীনম্বা, অচুম্বা শাবা, কাঙলূপ নাইবা, মীনা মীবু উশিৎনদবদি মালেমগী মচী খুদিংদা লৈরি। মদুমক্লা মী মরক্তা হিংবা ঙম্নরক্তবা য়াওরিবনি। মহৌশাগী থোকপা খুদোংথীবশিং, ঈশিং চাওবা, মৈগী চীং পোকখায়বা, ঈকং থোকপশিংদগীদি খূৎশেমগী লান তৌনবা অসিনা শাথীবা হেল্লি, হিংবদা ব্রাহনবসু হেল্লি। হিংদবদি য়াদে।

অনকপদা চাইনা, রুসিয়া লৈবাকশিং চাউনা শেমগৎপা ঙম্নরিবসি উবা ঙমদবা মাল্লি। শেমগৎপা হৈত্রগা মীগীদা নপচরুবগী হন্থনা য়েংবীবা খাঙবা ব্রাবগী ব্রারীনা হিংবা ঙমগনি হায়বসু লৈতে। মীওইবগী রাইট ঙাকপীদ্রে হায়বনা কান্নবা ফংলক্ত্রগা অতোপ্পা ষ্টেটতা চেল্লগা হিংগনি খল্লগা চৎখিবা য়াওরি। হিংবদা ঙাওরি, লৈবাক্তি উবা ফংলরোই। 'পূন্সি লল্লোনবা লাকপদা শেন্দোং তানগে খল্লুবা...' ঈশৈ তারগা হিংববু নুংঙাইবা ঈশৈগুম্না খনবনা হিংলগনি খনবদি য়ারোই। ইশা অমা হিংবা, শেন্দোং তানবশিংসি নত্তবা মীওইবা খুন্নাই অসিনা মালেমদা ঈংনা লৈবা য়ানবা লাই নীংগেরা, লৈবাক নীংগেরা চৎনবী কাঙলোন অমদি ঙাক্লা চৎনদবা য়ারোই। মদুনি লাইনীং, মদুনি লো, অদুনি লৈবাক, মদুনি হিংনবা লম্বী।

মদু হৈত্রিবমখৈ হিংনবা লম্বী অমা লৈরে হায়বা য়ারোই। হৈবা হৈতবদু লায়রি, মরমদি মদুনি হায়বতং ওইরবসু খঙবা অমা চঙলি। খঙদ্রিবমখৈ ইশাসি মী নৎত্রি হায়বদু খঙনফম থোকপনি। শা অমনদি মদু খঙবা হৌনদে। মীনা লাই নীংদ্রগসু মীনা মী নীংলগসু য়াগনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯১

১) **"পূন্সি চেঙজেল লোইদুনা লাকপদা**
**কৌবীয়ু নঙনা তরাম তরাম্।।**
**নঙনা শেম্বীবা তাইবঙ ফম্পাক্তা**
**নঙনা তম্বীবা লীলা য়াওরুরে...।।"**

মথক্কী ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি ঈশৈগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। শৈরেংবসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।


২) **"নিমাইগী ঈশৈদো"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? কনানা ইবনো?

৩) **"ডা. রামকুমার বর্মাগী একাঙ্কী খরা"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) **"থিয়েটর অমদি সাহিত্যগী ব্রারেং খরা"** (২০০৬) হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৫) **"অঙাওবীদো ঐগী ইমানি"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথঙা পীরিবা ব্রাহৌশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নত্ত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৌগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ব্রাহৌ খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুগী মমিং পীজগনি।

( ACI ) ADVANCED COACHING INSTITUTE
Sc., Arts & Comm
LARGEST AND TRUSTED PREMIER COACHING INSTITUTE IN MANIPUR
MAXIMUM POSITION HOLDERS PRODUCER IN EVERY YEAR IN BOTH X & XII
TIME SCHEDULES
4.30am to 8.30am
4.30to 7.50pm
4:15pm – 7.40pm
HSLC TOPPERS STUDENTS
HSE TOPPERS

STATE BOARD AND COUNCIL (BOSEM & COHSEM)
XI&XII( Sc/Arts/Com) FOUNDATION 5TH , 7th June
Hurry !! Limited Seats
CENTRAL BOARD (CBSE)
XI & XII (Sc/Arts/Com) FOUNDATION : 5th ,7th June
FOUNDATION COURSE FOR IX TO X : 7TH, 10TH JUNE
FOUNDATION (IX - X) : 7th, 10th June
NEET & JEE FOUNDATION
LATEST Study materials , Question sets from KOTA & ALLEN
CONCESSION : 1. ACIANS/Former 2. Govt. school students 3. Two or more students of same family 4. freeship for position hol ders in class x & xii and 90% above 5 Freeship for position holders 6. 85% and above P.C.B of xii of 23 7. freeship for meritorious students NEET 23/24
Faciliteis : 7 full test series & state label mock test series ,30 extra test series for neet /jee van service, separate boys /girl hostel with wifi connection , Sunday mock test, extra dought session ,Extra class of Manipuri and English and optional subject for x and xii ,provided study materials .
HL-B/8720/11 May to 9 June
For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH 9862992105

ACI SCHOOL
RUN BY ADVANCED COACHING INSTITUTE, IMPHAL
Kwakeithel Akham Leikai, near Kwakeithel Bazar
(A Co. Educational Higher Sec. School affiliated to COHSEM)
Regd. No. 1/96/96/-HSC(Vol.VIII) of 2022
FACILITIES:
• 2 years NEET & JEE Integrated Course
• NDA/ SSC/ Banking Basic Foundation Course
• Separate Hostel for Boys & Girls
• Wi-Fi Library • Transport Facility
• Specialized Job Oriented
• Grading system facilities
ADMISSION OPEN FOR XI(Sc. & ARTS)
FIRST COME FIRST CHANCE
FIRST PHASE OF ADMISSION
NO ADMISSION, TUITION FEE FOR 1 YEAR (FREE) FOR FIRST 50 STUDENTS (Sc.) & 30 STUDENTS (Arts)
FOURTH PHASE OF ADMISSION
ONLY ANNUAL SCHOOL FEE FOR 1 YEAR = Rs.10,000 ONLY OF FIRST NEXT 100 STUDENTS (Sc.) & 40 STUDENTS (Arts)
SECOND PHASE OF ADMISSION
ONLY ANNUAL SCHOOL FEE FOR 1 YEAR = Rs.5, 000 ONLY OF FIRST NEXT 50 STUDENTS (Sc.) & 30 STUDENTS (Arts)
LAST PHASE OF ADMISSION
ADMISSION FEE: Rs.14, 000/-
MONTHLY TUITION FEE: Rs.2, 200/ MONTH
GRADING SYSTEM FACILITIES
THIRD PHASE OF ADMISSION
ONLY ANNUAL SCHOOL FEE FOR 1 YEAR = Rs.8, 700 ONLY OF FIRST NEXT 50 STUDENTS (Sc.) & 30 STUDENTS (Arts)
GRADE A1 : Total Freeship (Admission + Tuition + Book + Uniform + Scholarship of 1k to 3k per month)
GRADE A2 : Freeship (Admission + Tuition + Book + Scholarship)
GRADE B1 : Freeship (Admission + Tuition)
HL-P/8720/11/5-9/6
For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI 9862992105

পাউচে অসিদা ফোঙদরিবা ব্রারেংশিং অসিগী ব্রাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ব্রাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা খোইদোক্লা মরী লৈনদে।